# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ঙসি ৮৬ শুবা নুপীলাল নীংশিং থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লি।

ইম্ফালগী নুপীলাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা মপুং ওইবা থৌরমদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু শরুক য়াগনি।

২) রাষ্ট্রপতি মুরমুনা ঙসি সেনাপতি জিলাদা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরা শঙ্গাগনি, খরনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

অমসুং

৩) অরুনাচল প্রদেশকী অঞ্জো জিলাদা ত্রক অমা চীংগী মখাদা ওন্থবদা মীওই ১৪ লৈখিদ্রে।

------

নুপীলাল (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি ৮৬ শুবা নুপীলাল নীংশিং থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা ঐতিহাসিক ওইরবা নুপীলাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমদি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা শরুক য়াগনি।

পালন থৌরম অসি রাজ্যগী হোম বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী জি.পি. ৱিমেন্স কলেজদসু পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেতরি- ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল শরুক য়াগনি।

নুপীলাল নিংশিং নুমিৎনা লাকপদা রাজ্যপাল য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- নুমিৎ অসি মণিপুরগী থৌনা ফরবা অমদি মরৈবাক নীংবা নুপীশিংবু ইকায় খুমবা উৎপা নুমিৎনি। ইং ১৯০৪ অমদি ১৯৩৯ দা থোকখিবা নুপীশিংগী ইহৌ অসি রাজ্য অসিগী ইতিহাসতা মুৎপা নাইররোইদবা মরুওইবা ইহৌ অমনি। মতম অদুদা চংশিনখিবা নুপীশিংগী খোঙজং অদুনা অমত্তা ওইনা অচুম্বগীদমক লান্থেংনবা ঙম্মী হায়বা অসি উৎখি। মখোয়না মতম অদুদা ৱাখিবা অদু থৌনা ফনা চোংথোরক্তুনা লান্থেংনখিবা অদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা থৌনা হাপ্লি। মতম অদুদা লান্থেংনখিবী নুপীশিং অদুগী থৌনা লিংজেল অদু নিংশিংদ্না ঙসিগী মীরোলনা লমদম অসি ইং তপ্পা, তংদু লৈতাবা অমদি মরা চেৎপা ওইহল্লশি।

মহাক্কী পাউজেলদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরগী নুপীশিংনা অচুম্বগীদমক থৌনা ফনা চোংথোকখিবা অদু মণিপুর মীয়ামদা নৌহৌননা নিংশিংহল্লে। মতমদুগী নুপীশিংগী ইহৌ অদু ইচম চম্বা ইহৌ অমা নত্তে। মদু মণিপুরগী রাজনীতিবু মীকপ থোকহনবা ইহৌ অমনি। মখোয়গী হনবা লৈতবা থৌনা অদুনা মণিপুরগী নুপীশিংগী থৌনা লিংজেল মালেম পুম্বদা শক তাক্লি।

রাস্ত্রপতি (এল)ঃ   নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙরাং মণিপুরদা থুংলখিবা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু ঙসি ইম্ফালগী নুপী লাল মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদবা ৮৬ শুবা নুপী লাল নিংশিং থৌরমদা শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা শ্রীমতি মুরমুনা লৈখিদ্রবা ইমাশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। তুংদা, হম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা চৎতুনা লাই খুরুমগনি।

রাস্ত্রপতিগী মনিপুরগী খোঙচৎকী মাংওইননা ঙরাংদগী হৌনা ইম্ফালগী অকোইবদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন লৌখৎলি।

নুপী লালগী মপুং ওইবা থৌরম শরুক য়ারবা মতুং রাষ্ট্রপতি সেনাপতিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কনি। সেনাপতি জিলাদা শ্রীমতি মুরমুনা প্রোজেক্ট খরা শঙ্গাগনি,

খরনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

ইম্ফালদা থুংলবা মতুং পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমুবু ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতিনা লুপা কোতি ১,৩৮৭ গী চাওখৎ থৌরাং প্রোজেক্ট খরা শঙ্গাখি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখি।

রাষ্ট্রপতিনা শঙ্গারম্বা অমদি উরেপ উয়ুং তমখিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা লৌউ শিংউ, ৱাটর সপ্লাই,স্পোর্টস, ইজ্‌কেসন, ত্রাইবেল দিভলপমেন্ট, হেলথ, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, হেন্দলুম হেন্দিক্রাফট, ইলেক্ট্রিসিতি, সেক্যুরিতি এন্দ এদমিনিষ্ট্রেতিভ সেক্তর য়াওরি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ মণিপুরদা শান্তি হুঞ্জিল্লকবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমদা এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চথুরি।

মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিরিবাম জিলাগী জাইরোলপোকপী অমদি উচাথোলনা কোনবা মফমশিংদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা সিঙ্গল বেরেল অমা, কন্ত্রি মেদ সিঙ্গল বেরেল মরি, আই.ই.দি অনি, পোম্পি অনি অমসুং অতৈ পোৎলমশিং য়াওরি।

ককচিং জিলাদা অককবা পাউ ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা জিলা অসিগী ককচিং তুরেল ৱাংম লৈকাইদগী কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)গী মীওই অনি ফারে।

অরুনাচল ঃ অরুনাচল প্রদেশকী অঞ্জো জিলাদা ত্রক অমা চীংগী মখাদা ওন্থবদা মীওই ১৪ লৈখিদ্রে। ত্রক অদুদা মীওই ২২ তোংলকপনি। মীওই ৮ না থিবা খঙদনা লৈরি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু অসামদগীনি হায়রি।

ভারত লাম্মী, এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ, জি.আর.ই.এফ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিয়েলশিংনা মফম অদুদা চংশিনদুনা মী থিবা অমসুং কনবগী থবক চথুরি।

মরক অসিদা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা থৌদোক অসিদা লৈখিদবা মীওই ১৪ শুরে অমসুং অতৈনা থিবা খঙদ্রি হায়না ফোংদোকখ্রে।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। শ্রী মোদিনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা ক্ষেতিপুরন ওইনা লুপা লাখ অনি অনি পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অশোকপা মীওইশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়রি।

কোর্ট ঃ  কোভিদ নাইন্তিন মতমদা মথৌ তৌবদা লৈখিদ্রবা ডোক্তরশিংগী ইমুং মনুংদা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান য়োজনাগী মখাদা লুপা লাখ ৫০-৫০ গী ইন্সুরেন্স পীনবা সুপ্রিম কোর্টনা রাই তাখ্রে।

জষ্টিস পি.এস. নরাসিমহা অমসুং আর. মহাদেবনগী বেঞ্চ অমনা হায়-লাইচৎ অদুদা ডোক্তরশিংনা লৌখিবা থৌদাংশিং অদু চপ চানা খঙবগা লোয়ননা ফ্রন্ট লাইনদা লৈরিবা মীওইশিংদা লৈবাক অসিনা মখোয়গীদমক লেপ্লি হায়বদু উৎনবগীদমক স্কিম অসিগী মখাদগী ইন্সুরেন্সকী থৌরাং অসি পায়খৎপনি।

কোর্ট অসিনা মখা তানা হায়- লাইচৎ অসিদা লৈখিদ্রবা ডোক্তরশিংগী ইমুং মনুংনা মতিক চাবা প্রমান পীদুনা ইন্সুরেন্স অসিগীদমক ক্লেম তৌরকপা য়াগনি।

ইসিআই ঃ  ইলেক্সন কম্মিসন্না রাজ্য ৫ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১ গী স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) শেমদোকপগী অরোইবা মতম পীখ্রে।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- থৌরাং অসিদা তামিলনাদু, গুজরাত, মধ্য প্রদেশ, ছত্তিসগর, অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎ অমদি উত্তর প্রদেশ য়াওরি।

এস.আই.আর শেমদোকপগী অরোইবা মতমগী মতুংইন্না তামিলনাদু অমসুং গুজরাত্তা চৎলিবা থা অসিগী ১৪ দা থবক অসি পুমলোই লোইরগনি হায়রি। মধ্য প্রদেশ, ছত্তিসগর অমসুং অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎকী ওইনা থা অসিগী ১৮ ফাওবা শাংদোকখ্রে। উত্তর প্রদেশকী ওইনা থা অসিগী ২৬ তা অরোইবা মতম

লেপলে। তামিলনাদু অমসুং গুজরাত্তা শেমদোক্লবা ইলেক্তোরেল রোলশিং থা অসিগী ১৯ দা ফোংলগনি। মধ্য প্রদেশ, ছত্তিসগর অমসুং অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎকী ওইনা থা অসিগী ২৩ দা অমদি উত্তর প্রদেশকী ওইনা থা অসিগী ৩১ দা শেমদোক্লবা ইলেক্তোরেল রোল অদু ফোংগনি হায়রি।

কেরলাগী ওইনা শেমদোক্লবা ইলেক্তোরেল রোল অসি থা অসিগী ২৩ দা ফোংগনি।

দিল্লি ঃ ভারতিয়া ভাষা উৎসব ২০২৫ ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। মহা কবি সুব্রমনিয়া ভারতিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অসি শিক্ষা মন্ত্রালয়না শিনবনি। ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রালয়সু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মরুওইবা হিরমদি- মেনি লেঙ্গুএজেস ৱান ইমোসন হায়বসিনি। থৌরম অদুদা ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রালয়না ত্রাইবেল লোলশিংদা ইবা লাইরিক কয়া উৎপা ষ্টোলশিং হাংখি। ষ্টোলশিং অদুদা হিন্দি, ইংলিস অমসুং ত্রাইবেল লোলশিংদা হন্দোকপা শেন্বা আদিবানি এপপ শিজিন্নবগী মওংসু মীয়ামদা উৎখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং উৎখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু ইম্ফালদা লাক্কুনা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখিবা অমসুং বি.জে.পি এম.এল.এশিং দিসেম্বর ১৪ দা দিল্লিদা কৌরকপগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

দ্রৌপদি মুরমুনা লুপা কোতি ২০৬ গী প্রোজেক্ট ১২ শঙ্গাখ্রে, লুপা কোতি লিশিং ১,১৮০ গী প্রোজেক্টশিং উরেপ উযুং তমখ্রে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা তৌগনি, লালনা শোকহল্লবা ইমুং খুদিংমক্কীদমক্তা লেপ্লি হায়না শ্রীমতি মুরমুনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লৈঙাক শেমবগী মঙলানদা এম.এল.এশিং দিল্লিদা পাইশিনদৌরি হায়না সনালৈবাক পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা বি.জে.পিগী পার্তিগী হাই কম্মান্দনা দিসেম্বর ১৪ গী মীফমদা য়াওনবা কৌরকখিবগী পাউ নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

টোটেল সটদাউন্না মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিগী ইংলিস ইদিসনদা কোকোমিনা রাষ্ট্রপতিদা আই.দি.পিশিংনা ময়ুম হঞ্জিনগদবা মতম পীবীয়ু হায়বগী পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমকা লমদম অসিগী মীওইনি হায়না খলহনগদবনি হায়না রাষ্ট্রপতিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এন.ঐচ.আর.সিনা নেসনেল হাইৱে টুগী ব্লোকেদকী মতাংদা নৌনা থিজিন্নবগী খঙহনখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা ড্রগনা লৈবাক অসিগী নেসনেল সেক্যুরিতিদা শিংনরক্লিবা অসি সেন্তরনা খঙবা মথৌ তাই হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু সেনাপতিদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ থুংলগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা ১৮ শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল পাঙথোকবা শেম শাবগী থবক চপ্থরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা তমেংলোংগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা জিলা অদুগী মরুওইবা লম্বীশিংদা ত্রাফিক্তা অয়েৎপা পীবশিং লৌথোকবা খঙহনখিবগী পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------